পুটিন অমসুং ইরানগী সম্মিটতা য়াওরোই : ট্রম্প

বেদমিনষ্টর, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

ইরানগী মতাংদা খন্ননবা মালেমগী লুচিংবশিংগী সম্মিট অমা পাঙথোক্লবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না হৌদোকখিবা ৱাফম য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক অদুগুম্বা মীফমদা য়াওরোই হায়খ্রে।

ন্যু জর্জিগী বেদমিনষ্টরদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ট্রম্পনা মথংগী চয়োলদা মহাক্না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ইরানবু অথিংবা থম্নবগী খোঙথাং লৌখৎনবা অমুক হন্না হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইরানগী মায়োক্তা য়ু এনগী খুৎলায়গী অথিংবশিং মখা তানা শাংদোক্না থম্নবা য়ু এসনা হোৎনখিবদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুং মথংগী নুমিত্তা পাউমীশিংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ট্রম্পনা ইরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা পুরকখিবা একোর্দতগী কুমজা ২০১৮ দা হন্দোকখিবা ওইরবসু কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র একোর্দ অদুগী প্রোভিজন অমা শীজিন্নরগা ইরানগী মায়োক্তা য়ু এনগী অথিংবশিং অমুক হন্না চৎনহন্নবা হোৎনগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কিহনবা লৈখ্রবনি।

দিপ্লোমেটশিংগী মতুং ইন্না য়ু এসনা অসিগুম্বা থৌরাং অমা লৌখৎলকপদা অয়েৎ-অপন চাওনা মায়োক্নরক্কনি। অমেরিকাগী থৌরাং অদুগী মতাংদা য়েৎনবগী ফিভম অমা লাকহন্দনবগীদমক্তা পুটিন্না মালেমগী লুচিংবশিংগী সম্মিট অমা পাঙথোক্লবগী ৱাফম হৌদোরকপদগী ইরাই নুমিত্তা য়ু এসনা ইরানগী মায়োক্তা মখা তানা খুৎলায়গী অথিংবা থম্বগী ৱাফম পুখৎলকখিবদা মায় পাকখিদবনি। লাক্লিবা ওক্তোবর থাদা মতম লোইগদবা খুৎলায়গী অথিংবা অদুবু অমুক হন্না শাংদোকহন্নবগী ৱাফমদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ভোট লৌনবদা রসিয়া অমসুং চাইনানা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা চেৎনা লেপ্তুনা লৈখি। ফ্রান্স, জর্মনি অমসুং বৃটেন য়াওনা মেম্বর ১১ ভোট লৌনবদুদা য়াওখিদে।

থাই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি):

থাই প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা কেপিটেল বেঙ্কোক সিটিদা পাঙথোকপা এন্টি-গভর্নমেন্ট দেমোন্সট্রেসনদা য়াওশিনখ্রে। কুমজা ২০১৪গী কু অদুগী মতুংদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবশিংগী মনুং চনবা দেমোন্সট্রেসন অদুদা প্রোটেষ্টরশিংনা দাউন ৱিথ দিটেক্তেরসিপ অমসুং দ কন্ত্রি বিলোংস টু দ পিপলস হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

থাইলেন্দগী মহৈরোয়শিংনা হৌখিবা থা অমারোম অসি নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবা ওইরবসু ইনৌ নৌবা প্রোটেষ্টতা মখোয়না হান্নগী জনতা লিদর প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান্দ ওচাগী গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌনবা, অনৌবা কন্সটিট্যুসন শেম্নবা, ওপোজিসন এক্তিভিষ্টশিংবু ওৎপি-নৈবিবা লেপ্পনবা হেন্না কন্না দিমান্দ তৌখি।

কুৱেটকী ফিরেপদা অহোংবা লৈরোই

দুবাই, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি):

ইজরেলনা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকা একোর্দ অমা পুরকখ্রবা মতুং অসিদা কুৱেটকী ইজরেলগা মরী লৈনবা পোলিসিদা অহোংবা লৈরোই অমসুং লৈবাক অনীগী মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবগী খোঙথাং লৌখৎপদা কুৱেটনা ইকোন কোনগনি হায়না লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্ট সোর্সশিং পল্লদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাউচে অল-কবাসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। কুৱেটগী ফিরেপতি অরাবশিংগী মরু ওইবা ইশ্যু অমা ওইরিবা পলেষ্টিনিয়নশিংগী দিমান্দ শৌগৎপনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরিবা মতম শাংলক্লবা ফোরেন পোলিসি অদুদগী অহোংবা লৈতে। পলেষ্টিনিয়নশিংনা য়াবা সোল্যুসনদমক কুৱেটনসু য়াবা ঙমগনি হায়না রিপোর্ট অদুন মখা তাখি।

মোরিসসতা থাউ য়ুরকখিবা জপানগী জহাজ কায়রে

পোর্ট লুই, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

হৌখিবা থাদা মোরিসসকী রিফ অমদা থেংজিনবদগী লেংবা য়াদনা লৈরকখিবগা লোয়ননা থাউ য়ুরক্তুনা ইন্দিয়ন ওসিনগী ইথৎ লৈবাক অসিগী অকোয়বদা মরিন ইকোলোজিকেল দিজাষ্টর অমা থোকহনবা য়াবগী ফিভম লাকহনখিবা জপানগী বল্ক করিয়র অদু মচেৎ তানা কায়রে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এম ভি ৱাকাসিও কৌবা জপানিজ করিয়র অদুগী ফিভম থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা শোকচিল্লকখি অমসুং নুংথিলগী মতমদা কায়রকখি হায়না মোরিসস নেসনল ক্রাইসিস কম্মিটিনা ফোঙদোকখি। নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ভেসেল অদুগী মমাং থংবা শরুক অদু মশাদগী তত্তুনা তোঙান্না খায়দোরকখি। এক্সপার্টশিংগী পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইরগা জহাজগী শরুকশিং অদু চিংথোক্লবা হোৎনরি হায়না কম্মিটিগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ভেসেল অদু হৌখিবা জুলাই ২৫ দা কোরেল রিফতা থেংজিনবদগী মদুদা পুরকখিবা থাউ টন ১০০০ রোম য়ুরক্তুনা কোরেলশিং, ঙা অমসুং অতৈ মরিন লাইফতা অকায়বা চাওনা পীরকপগী ফিভম লাকখি। সাইন্টিষ্টখরনা ফিভম অদুবু মোরিসসকী খ্বাইদগী শাথিবা ইকোলোজিকেল দিজাষ্টরনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

মোরিসস মরিন কঞ্জার্ভেসন সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট জে ক্লেলিন সাউজিয়রনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, জহাজ অদুদা য়াওহৌবা থাউগী মখাক অদু ইরাই নুমিত্তা সমুদ্রদা য়ুরকখি। ভেসেল অদুদগী থাউ অয়াম্বা চিংথোক্লে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মোরিসস গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু মখা তানা মনুংদা থাউ টন ১৬৬ য়াওরম্বদগী অমুকসু মদুবু লৌথোক্লবা হোৎনখি। জপানগী ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর সিঞ্জিরো কোইজুমিনা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল টিম অমদি স্পেসলিষ্টশিং থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নেপালদা চীং নীংখায়বদা মীওই ১৮ শিরে

কথমন্দু, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি) :

নেপালগী সীন্দুপালচোক দিষ্ট্রিক্টতা চীং নীংখায়বগী অচৌবা থৌদোক অমা থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২১ থিবা খঙখিদ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মফম অদুদা মী থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন চত্থরি হায়রি।

ইরাই নুমিত্তা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী জিগল রুরেল ম্যুনিসিপালিটিদা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক অদুদা লিদি খুঙ্গংগী ইমুং ৩৭ ফুমজিন্দুনা অমাঙ-অতাসু থোকখি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওফিসকী চীফ এস পি প্রজোওল মহাজনগী মতুং ইন্না ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা অঙাং ১৪, নুপী ৪ অমসুং নুপা ৩ য়াওই। লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না চীং নীংখায়বদুদা অৱাবা তারবা মীওইশিং খুদোংথিবা নংলোইদবা অনকপা মফম অমদা হোংদোকহনখি।

সাউথ কোরিয়া, য়ু এস মিলিটরি দ্রিল মতম চোন্থনা পাঙথোক্লগনি

সিওল, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অপুনবা মিলিটরি দ্রিল লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌরগনি। লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসর অমা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী নুমিৎ নিনি চোন্থরগা মিলিটরি দ্রিল অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯গী ফিভম অসি য়েংদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌনবা হান্না মতম লেপখ্রবা ট্রেনিং অদু মদুদা শরুক য়াগদবা আর্মি ওফিসর ইরাই নুমিত্তা টেষ্ট তৌবদা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী নুমিৎ নিনি চোন্থখিবনি হায়না য়োনহাফ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা মিলিটরি দ্রিল অদু নোর্থ কোরিয়ানা কুপ্না য়েংশিনদুনা লৈরিবনি। প্যোংয়াংনা লৈবাক অনীগী মিলিটরি দ্রিল অদুবু লানগী রিহর্সেল অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী অথিংবশিংনা মরম ওইদুনা সাউথ কোরিয়াদা য়ু এস পর্সনেলশিং চৎপদা অথিংবা কয়া লৈবদগী য়ু এসতা বেজ তৌবা ট্রুপশিং মোবিলাইজ তৌবা য়াদবা অসিনা হন্দক চহীগী এক্সর্সাইজ অসি চাওনা পাঙথোক্লরোই হায়রি।

মোঙ্গোলিয়াদা ব্যুবোনিক প্লেগকী কেস থেংনরে

উল্লানবাটর, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) : মোঙ্গোলিয়াগী খোভদ প্রোভিন্সতা ব্যুবোনিক প্লেগ হায়না খঙনবা লায়না অসি ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা কেস অমা থেংনরে হায়না লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না প্রোভিন্স অদুগী মশাগী চহী ৩৭ শুরবা সেটসেগ সোওম হায়রিবা কৌবা মীওই অমা হৌজিক লোকেল হোস্পিটাল অমদা নাইতোম ওইনা থম্লি। মীওই অদু মারমোট হায়রিবা শা অসিগী শাদোং চারুবদগী হৌজিক অরুবা ফিভমদা লৈরিবনি হায়রদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা সিটিজনশিংদা মারমোটশিংবু ফানবা তানবা নৎত্রগা শা অসিগী শাদোং চাদনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। চৈরকসিদা মীওই অসিগা নক্লখিবা নৎত্রগা শম্নখিবা মীওই ২২ ক্বারন্টিন তৌখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯গী কাঙলোনশিং চেকশিন্না ঙাক্কদবনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অয়াম্বা শরুকশিংদা চৎথোক চৎশিন অমদি লোকদাউন্নচিংবশিং কোমথোকহল্লকখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লকপা য়াবগী অকিবসু হেনগৎলে অমসুং অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মীয়াম্না হান্নদগী হেন্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না হেল্থ এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

হৌজিক্তিগী লোকদাউনদগী কোমথোকপা হৌখ্রবনিনা মীয়াম্না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌবগী মতাংদা হেন্না থৌদাং লৌজদুনা চেকশিন-থৌরাংশিং ঙাকচগদবনি অমসুং য়ুমদগী মপান থোক্লকপা মতমদা নৎত্রগা থবক-ইনখাংশিং শুবা মতমদা খ্বাইদগী চেকশিনগদবনি হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি।

অনলোক্কী ফিভম লাকহনখিবা অসিনা চৎথোক-চৎশিনদা লৈরম্বা অথিংবশিং কোমথোকপা, ওফিসশিংগা লোয়ননা মোলশিং অমসুং কেফেগুম্বা মীয়াম তিনবা মফমশিং অসিনা কোভিদ-১৯ শন্দারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা শ্রী বালাজি এক্সন মেদিকেল ইন্সটিট্যুটকী মাইক্রোবাইওলোজিগী সিনিয়র কন্সল্টেন্ট ডা. জ্যোতি মুতাগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ওইবা মরম কয়াদগী অনলোক্কী ফিভম লাকহনখিবনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না ৱাখল তানা খঙগদবনি।

বেলনা থা ৪ গী মনুংদা ভেন্টিলেটর ৩০,০০০ সপ্লাই তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

অত্মানির্ভা ভারত ইনিসিওটিভতা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌরদুনা ষ্টেটনা চল্লাইবা ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স লিমিটেদ (বেল)না লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংনবগীদমক্তা থা ৪গী মনুংদা য়াম্লবা ভেন্টিলেটর ৩০,০০০ শাদুনা সপ্লাই তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রেকোর্দ ওইবা মওংদা থা ৪গী মনুংদা ঐখোয়না কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নবগীদমক্তা অমদি অফবা মখলগী মেদিকেল ইক্বিপমেন্টকী মতাংদা লৈবাক অসিবু মীপান তাংহন্দনবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী ষ্টেটনা চল্লাইবা হোস্পিটাল খুদিংমক্কী ইন্টেসিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)শিংগীদমক্তা ভেন্টিলেটর ৩০,০০০ থাদোকখ্রে হায়না বেঙ্গলুরুদা বেজ তৌবা বেলগী ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক শীন থুংনা কোরোনাভাইরস পান্দমিক থেংনবগী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবা হৌখিবা এপ্রিলদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা বেলদা ভেন্টিলেটর আই সী য়ু ৩০,০০০ শাননবা ওর্দর তৌখিবনি। ভেন্টিলেটরশিং অদু ষ্টেটনা চল্লাইবা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না দিজাইন তৌরগা মহিশুরুদা বেজ তৌবা স্কানরে টেক্নোলোজি লিমিটেদকা খুৎশম্ননা লাইসেন্সিং এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা শাখিবনি।

মেদিকেল - গ্রেদ ভাল্ভশিং, ওক্সিজেন সেন্সরশিং অমদি ফ্লো সেন্সরশিংগুম্বা মরু ওইবা কম্পোনেন্টশিং মীরমগী মতেং য়াওদনা লৈবাক অসিদা পুথোক্লবা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলিবা অসিনা লৈবাক অসি মেদিকেল ইলেক্তোনিক সিষ্টেমসকী মতাংদা মীপান তাংদবা ঙমদুনা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহল্লে হায়না ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সুফি মসজিদ কৌনবা তকশিনখ্রে

কানপুর, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি):

বব্রি মসজিদকী মহুৎ ওইনবা গভর্নমেন্টনা অযোদ্যাগী ধানিপুর খুঙ্গংদা পীরিবা লমদা শাগদৌরিবা মোস্ক অদুগী মমিং সুফি মসজিদ হায়না থোন্নবা তকশিল্লদুনা মধারিয়া সুফি ফাওন্দেসন্না য়ু পি সেন্ট্রেল সুনি ৱাকফ বোদতা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

মোস্ক অদুবু সুফি মসজিদ হায়না মমিং থোনবনা অমগা-অমগা নুংশি-চাননা লৈমিন্নবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা গঙ্গা-জমুনি টেহজিবপুসু শৌগৎপা থোক্কনি। সুফি লিদরশিং, দর্গাহশিংগী সজদা নাসিনশিং, ইস্লামিক স্কোলরশিং অমসুং লৈবাক অসিগী ঈংনা চিক্না লৈজবা পাম্বা সিটিজনশিংগী মহুৎ শীন্দুনা ঐখোয়না সুনি বোর্দতা নৌনা শাগদৌরিবা মোস্ক অদুগী মমিং সুফি মসজিদ হায়না থোনবনা লৈবাক পুম্বগী অপাম্বা ওইগনি হায়বা ৱাফম অসি থমজরি হায়না মদারিয়া সুফি ফাওন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হজি মোহমদ সমির হজিস বোগানিনা চেরোল অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ইন্দিয়া অসি তোঙান তোঙানবা লাইনিং, চৎনবী অমসুং থাজনবা কয়া ইল্লিবা মীওই খুদিংমক ঈংনা-চিক্না পুন্না লৈমিন্নবগী খুদম চাংদম ওইবা লৈবাক অমনি। সুফিশিং লাইনিং-লাইশোনগী য়েৎনবদা য়াওদবগা লোয়ননা সোসাইটিগী মরা তপ্পা মেম্বরশিং ওইনা খঙনৈ।

স্পোর্টসকী পাউ

ফ্রান্সকী ক্লব লিওননা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লিগকী সেমিফাইনেল য়ৌখ্রে

লিজবোন, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

ফ্রান্সকী ক্লব লিওননা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লিগকী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পুৱারীদা ফ্রান্সকী টিম অনীনা সেমিফাইনেল য়ৌরকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি। মমাংদা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা জর্মনিগী আর বি লৈপজিগকা সেমিফাইনেল অমা শান্নগনি। অদুগা লিওননা ঙরাং ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মায়থীবা পীরগা সেমিফাইনেলদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিককা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

চেম্পিয়ন্স লিগকী পুৱারীদা জর্মনি অমসুং ফ্রান্সকী ক্লব অনীগী লম্বা তৌগদৌরিবা সেমিফাইনেল অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ঙরাং মেঞ্চেষ্টর সিটিপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখিবা ফ্রান্সকী লিওন ফুটবোল ক্লবনা থা অসিগী ১৯দা চেম্পিয়ন্স লিগকী সেমিফাইনেলদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিককা লম্বা তৌনগদৌরি। অদুগা থা অসিগী ১৮দা শান্নগদবা চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমিফাইনেলদা ফ্রান্সকী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগা জর্মনিগী অতোপ্পা ক্লব আর বি লৈপজিগকা শান্নগদৌরিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি ফ্রান্সকী লিওনগা শান্নখিবা মেচ অদু হৌরকপদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ফজবা ঙমখ্রবসু লিওননা ফজবা হেল্লকপদগী পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা বেলজিয়মগী এলিস মার্টেন্সপু মায়থীবা পীদুনা প্রাগ ওপন টেনিস টাইটল লৌখ্রে

প্রাগ, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম শাংনা ইন্টরনেসনল টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা য়ারুদ্রবা মতুং অনীরকশুবা দব্লিয়ু টি এগী মখাদা পাঙথোকপা প্রাগ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গল টাইটল অদু রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা বেলজিয়মগী এলিস মার্টেন্সপু মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মমাংদা নুপীগী টেনিসকী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রবী অমদি প্রাগ ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা প্রাগ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গল ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিস মার্টেন্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। অহানবা সেটতা হালেপনা মার্টেন্সকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা মার্টেন্সকী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরক্তুনা হালেপকী মায়োক্তা শান্নবা ঙমখিবদগী গেম ১০ লোইশিল্লবা ফাওবদা শান্নরোয় অনীমক গেম ৫-৫ থোইনরগা লম্বা মান্ননা লৈখি। অদুবু রোমানিয়াগী শান্নরোয় সাইমোনা হালেপনা বেলজিয়মগী এলিস মার্টেন্সকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মশামক্কী সর্ভিস গেম অমা মায় পাক্তুনা অনীশুবা সেট অদুদা গেম ৭-৫দা মায় পাকপদগী প্রাগ ওপন ৱিমেন্স টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ফাইনেল মেচ অদু লোইরবা মতুংদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবী সাইমোনা হালেপনা ফোঙদোরকপদা, চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টুর্নামেন্ট অদু য়াওবগী ৱারেপ অদু নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

ষ্টাফ অমা পোজিটিভ ওইবদগী সাইক্লিং কেম্পকী টিম ক্বারন্টিন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপখিবা নেসনল সাইক্লিং কেম্প অদুগী মেম্বর অমা ওইরিবা ত্রিয়াসা পোল কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী কেম্প অদুগীদমক্তা লাকখিবা সাইক্লিষ্ট অমদি ষ্টাফ পূম্নমক ক্বারন্টিনদা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ত্রিয়াসা পোল ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নেসনল সাইক্লিং কেম্প অদুগীদমক্তা থা অসিগী ১২দা য়ৌরকখিবনি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থল্লিবা এস ও পি (ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর)গী মতুংইন্না কেম্প অদুদা লাকপা মীওই খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহনবগী কাঙলোন লৈবনি।

ত্রিয়াসা নুমীৎ অদুদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী কেম্প অদুগীদমক্তা লাকখিবা সাইক্লিষ্ট ১১, কোচ ৪ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ ১৬ ক্বারন্টিনদা থমখিবনি।

নেসনল সাইক্লিং কেম্প অসিগীদমক্তা ওগষ্ট ৮দা সাইক্লিষ্ট, কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিং অদু মাংজৌননা লাক্তুনা ক্বারন্টিনদা লৈরিবনি। অদুবু ত্রিয়াসা পোলনা থা অসিগী ১২দা কেম্প য়াওননবা লাকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মহাক্তা নৎতনা অতোপ্পা সাইক্লিষ্ট, কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিং অদুসু পূন্না ক্বারন্টিন তৌরি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা ত্রিয়াসা পোল মথৌ তাবা লায়না লাইচৎ অসিগী পীবা য়াবা হীদাক-লাংথক্কা লোয়ননা আইসোলেসনদা থল্লি হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, নেসনল সাইক্লিং কেম্প অসি থা অসিগী ১৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু ত্রিয়াসা পোলনা ওগষ্ট ১২দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কেম্প অসি মপুং ফানা হৌবা য়াররোই হায়না সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেননা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ন সুপর লিগ ২০২০-২১গী সিজন চহী অসিগী নবেম্বর থাদগী গোৱাগী ষ্টেদিয়ম অহুমদা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লম্দা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগকী কুমজা ২০২০-২১গী সিজন অদু চহী অসিগী নবেম্বর থাদা গোৱানা য়ূম্বু ওইরগা ষ্টেট অদুগী ষ্টেদিয়ম অহুমদা পাঙথোক্লগনি হায়না লিগ অসিগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

গোৱাগী ফাটোরদা সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম, ভাস্কোদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়ম অমসুং বাম্বোলিমদা লৈবা জি এম সী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তরেৎলকশুবা এদিসনগী টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্লগনি হায়না লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী স্পোন্সর ওইরিবা ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদকী ফাউন্দর অমসুং চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা নিতা অম্বানিনা ফোঙদোরক্লি।

নিতা অম্বানিনা ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তরেৎলকশুবা সিজন অসি গোৱাদা শান্ননবা শিন-লাংলিবা অসিনা য়াম্না অফবা অমা ওইরগনি। মশান্না অসি গোৱা ষ্টেটতা লৈরিবা নহাশিংনা অহেনবা খূদোংচাবা পীদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লৈরবসু মশান্না অসিগী ফজবা অদু মখা তানা লৈহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

হৌখিবা চহী ৬তা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা ইন্দিয়াগী ওইবা নহা ওইরিবা অমদি মাংজৌননা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়াবা ঙম্লবা শান্নরোয়শিংদা মপান লমদগী লাকপা শান্নরোয় কয়াগা পূনশিন্দুনা ফুটবোলগী ফজবা মশান্না অদু উবা ফংলকখি। ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফুটবোলগী টেলেন্টশিং অদু মমাংদা পুথোকপা ঙমখিদবা অদু তপ্না-তপ্না পুথোকপা ঙম্লক্লি।

অতোপ্পা ফুটবোলগী লম্দা মমিং লৈরবা লৈবাকশিংগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী থাক অসি ৱাংখৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয়গী মতেংনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা শান্নরোয় কয়াগী থৌনাশিং অদুসু হান্না ফূদোকপা ঙমদ্রবসু লিগ টুর্নামেন্ট অসিনা খূদোংচাবা অমা পীদুনা ফজবা ঙমহল্লি।

ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গোৱা, গোৱা ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং ষ্টেট অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসননা খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মনুংদা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ফুটবোল পামজবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা গোৱাদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি য়েংলুরগা হৌজিক-হৌজিক মালেমদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং অসি মায়োক্নদুনা শান্নবগী লম্দা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমগদবা অমদি লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীবদা কা-হেন্না অৱাবা মায়োক্নদবা ষ্টেট অমা ওইবা মরম্না গোৱাদা লিগ অসি পাঙথোক্লবা শিল্লকপনি হায়রি। ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদনা আই এস এল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মাংওইননা গোৱাদা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অহুমদা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা পায়খৎলি।

দি ব্রুনদা প্রিমিয়র লিগকী প্লেয়র ওফ দি সিজনগী মিংথোল পীখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ১৬, (এজেন্সি) :

মালেমগী ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইংলিশ প্রিমিয়র লিগকী কুমজা ২০১৯-২০ সিজনগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মিংথোল অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোয় কেবিন দি ব্রুনদা পীখ্রে।

বেলজিয়ম মচা কেবিন দি ব্রুন ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মিদ ফিল্ড পোজিসনদা শান্নবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় অমনি। মশাগী চহী ২৯দা ঙাইরিবা কেবিন দি ব্রুননা কুমজা ২০১৯-২০ ইংলিশ প্রিমিয়র লিগ সিজন অদুদা মহাক্কী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অতোপ্পা ক্লবশিংগা লম্বা তৌনরকপদা পাঞ্জল ২০ চন্নবগীদমক্তা সপ্লাই তৌবা ঙমখিবনি। কেবিন দি ব্রুনগী গোল ২০ সপ্লাই তৌখিবা রেকোর্দ অদু কুমজা ২০০২-০৩গী সিজনদা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব অর্সনেলদা শান্নরম্বা ফ্রান্স মচা থিয়রি হেনরিনা রেকোর্দ থল্লম্বনি।

কেবিন দি ব্রুননা কুমজা ২০১৯-২০ ইংলিশ প্রিমিয়র লিগ সিজনদা পূন্না পাঞ্জল ১৩ চনবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু লৈখ্রবসু লিগ টাইটল অদু লিভরপুলনা য়াম্না মাংজৌননা লৌখিবা অদুগী লম্বা পীবদি ঙমখিদে।